

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, JUNE 22, 2017 PAGE 7

*কুমজা ২০১৫ দগী লৈরকপা বেক্ককী শেল পীথোক্তবগা মরী লৈননা লন্দনগী কোর্ট অমনা মশাগী ওইবা শেল অমত্তা লৈত্রে (বেক্করপু) হায়না লাওথোকখ্রবা টেন্নিস মশান্নগী লমদা মমিং লৈরবা জর্মনিগী শান্নরোই বোরিস বেক্কর*

*স্পেনদা পাঙথোকপা গ্রাস কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱাইল্ড কার্ড ওইনা মচানুপা পোকখ্রবা মতুং নৌনা কম্পিটিসনদা শরুক য়ারকখিবী মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী বেলার্সকী শান্নরোই ভিক্তোরিয়া অজারেনকা*

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং সিন্ধু অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে




*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল (ওই) অমসুং পি ভি সিন্ধু*

*সিদনি, জুন ২১ ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি সিটিদা পাঙথোক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোই অনী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মখোয়–মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা নুপাগী কাঙলুপ্তা হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়া ওপন প্রেমিয়র সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই সাই প্রনিথসু অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ ওইরিবী সুন জে হোবু ২১–১০, ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু হোংকোংগী শান্নরোই সিয়ুং এন ৱাইবু ২১–১৪, ২১–১৫ দা থোইরম্বী মালেসিয়াগী সোনিয়া সিয়েনি।

নুপীগী সিঙ্গলকসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোই এস সাটোবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম সিন্ধুনা ২১–১৭ দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদু জপানগী সাটোনা ২১–১৪ দা থোইরগা দিসাইদিং গেম অদু সিন্ধুনা ২১–১৮ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী চেন এক্স এক্সকা লম্বা তৌনগদৌরি। পনবা য়াই চাইনাগী চেননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়াখিবী আর এস গাদেবু ২১–১৭, ১২–২১, ২১–১২ তা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়া ওপন প্রেমিয়র সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই কান সিৱাইবু ২১–১৩, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অদুগা ইন্দোনেসিয়া ওপনদা স্রিকান্থনা সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়া বি সাই প্রনিথনা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোবু ১০–২১, ২১–১২, ২১–১০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই ৱাং য়ি জিগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐস এস প্রনোই অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী শান্নরোই রাজিব ওসেপকা লম্বা তৌনবদা ১৯–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন এস রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা চেন হি ৱাই অমসুং জে টামবু ২১–১১, ২১–১৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী জুরা এস টানাকা অমসুং কে য়োনিমোটোগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী এস রানকি রেদ্দি অমসুং সি সেথিনা অহানবা রাউন্দদা হোংকোংগী জুরা লো অমসুং লিবু ২০–২২, ২১–১৯, ২১–১১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

কাঙলুপ অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা জুরা মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা জপানগী কামুরা অমসুং সোনোদাগী মখুত্তা ২০–২২, ৬–২১ দা মায়থিদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

## কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা য়ুম্বু রুশিয়াবু পোর্টুগালনা পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে




*রুশিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমদা পোর্টুগালগী কেপ্টেন রোনাল্ডো (য়েৎ) না পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

*মোস্কো, জুন ২১ ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু রুশিয়াবু পোর্টুগালনা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি কনফিদরেসন কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু রুশিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসি রুশিয়া অমসুং পোর্টুগালনা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী হৌরকপদা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা রুশিয়াগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ঙল্লিঙৈ মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেনসু ওইরিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রুশিয়াদগী মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকখিবা অদুদা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা এটেক কয়া মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোক্তুনা থমখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পোর্টুগালনা রুশিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পোর্টুগালগী শান্নরোইশিংনা এটেক চথদুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। অদুবু রুশিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক–শেন্দুনা লৈখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে।

টিম অনীনা অনীশুবা হাল্ফ অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পোর্টুগালনা য়ুম্বু রুশিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট জুন ২৪ দগী হৌরগনি

*লন্দন, জুন ২১ ঃ*

থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগা মথং থাগী ২৩ ফাওবা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) ৱুমেন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু ইংলেন্দ শান্নগনি। অদুগা নুমিৎ অদুমক্তা ন্যু জিলেন্দ অমসুং শ্রীলঙ্কা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি পুন্না টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা টিমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা টিম অদু খনগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৬ লক লৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরি।

| Date | Match Details | Time |
|---|---|---|
| Jun 24, Sat | New Zealand Women vs Sri Lanka Women, 1st Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | England Women vs India Women, 2nd Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jun 25, Sun | Pakistan Women vs South Africa Women, 3rd Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jun 26, Mon | Australia Women vs West Indies Women, 4th Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jun 27, Tue | England Women vs Pakistan Women, 5th Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jun 28, Wed | South Africa Women vs New Zealand Women, 6th Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jun 29, Thu | West Indies Women vs India Women, 7th Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | Sri Lanka Women vs Australia Women, 8th Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 02, Sun | England Women vs Sri Lanka Women, 9th Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | Australia Women vs New Zealand Women, 10th Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | India Women vs Pakistan Women, 11th Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | South Africa Women vs West Indies Women, 12th Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | Pakistan Women vs Australia Women, 15th Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 06, Thu | New Zealand Women vs West Indies Women, 16th Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 08, Sat | New Zealand Women vs Pakistan Women, 17th Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | South Africa Women vs India Women, 18th Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 09, Sun | England Women vs Australia Women, 19th Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | West Indies Women vs Sri Lanka Women, 20th Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 11, Tue | West Indies Women vs Pakistan Women, 21st Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 12, Wed | Sri Lanka Women vs South Africa Women, 22nd Match<br>The Cooper Associates County Ground, Taunton | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | Australia Women vs India Women, 23rd Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | England Women vs New Zealand Women, 24th Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | The Cooper Associates County Ground, Taunton | 09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | England Women vs West Indies Women, 26th Match<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | India Women vs New Zealand Women, 27th Match<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| | Pakistan Women vs Sri Lanka Women, 28th Match<br>Grace Road, Leicester | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 18, Tue | TBC vs TBC, 1st Semi-Final<br>County Ground, Bristol | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 20, Thu | TBC vs TBC, 2nd Semi-Final<br>County Ground, Derby | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |
| Jul 23, Sun | TBC vs TBC, Final<br>Lord's, London | 3:00 PM<br>09:30 AM GMT / 10:30 AM LOCAL |

## ইন্দিয়ানা কুমজা ২০৩২ গী ওলিম্পিক্স অমদি কুমজা ২০৩০ গী এসিয়ান গেমস য়ুম্বু ওইবা পাল্লি

*মুম্বাই, জুন ২১ ঃ*

ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা কুমজা ২০৩২ ওলিম্পিক গেমস অমসুং ২০৩০ এসিয়ান গেমস য়ুম্বু অপাম্বা এসোসিয়েসন অসিনা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা ৱাফম থমখ্রে।



ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এন রামাচন্দ্রননা ফোঙদোকখিবদা এসোসিয়েসন অসিনা কুমজা ২০৩২গী ওলিম্পিক্স অমদি কুমজা ২০৩০ গী এসিয়ান গেমসকী য়ুম্বু ওইবদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা চঙগদবা মচাকশিং অদু মপুং ফানা লৈবা মরম্না খোঙথাং অসি পায়ৎলকপনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এন রামাচন্দ্রননা ৱাফম অসি থাঙ্গৎলকপনি।

মালেমগী মীশিং য়াম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা চাইনাগী মথংদা লৈরিবা ইন্দিয়ানা চাইনাগী মায়কৈদগী শান্নবগী লমদা পায়খৎখিবা খোঙথাংশিং অদুগী মতুং ইন্দুনা মালেমগী থাক্তগী পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী য়ুম্বু ওইবা য়াবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোকখিবনি।

রামাচন্দ্রননা মখা তারদুনা ২০২০ গী এসিয়ান বিছ গেমস য়ুম্বু ওইনিংবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

## এগোন ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটৌভা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী গাভ্রিলোভা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বিরমিংঘাম, জুন ২১ ঃ*

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা চথরিবা এগোন ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটৌভা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*এগোন ক্লাসিক্কী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী জেক্কী পেত্রা কিটৌভা (ওই) অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী গাভ্রিলোভা*

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটৌভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুম্বু লৈবাক বৃটেনগী এন ব্রোদিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ২–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী এন ওসাকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বী জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

এগোন ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিনা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিনা ষ্ট্রাইকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা অমুক থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুং অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিনা ষ্ট্রাইকোভাগী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অমরোমদা ইংলেন্দগী সিটি লন্দনদা পাঙথোক্লিবা এগোন চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা লুজেমবর্গকী গাইল মুল্লর, য়ুএসএগী দেবিদ য়ং অমসুং বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লুজেমবর্গকী গাইল মুল্লরনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরমখি।

য়ুএসএগী দেবিদ য়ংনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সর্ভিয়াগী ভিক্তর ট্রোইকিবু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

এগোন চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভনা ফ্রান্সকী জে বেনেটিবু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৪ দা থোইরমখি।